# সেমী ফাইনেলদা পেনালটি কোর্নরবু গোল ওন্থোকপা হায়বসিনা ইন্দিয়াগী পান্দম ওইরি



ৱেষ্ট ভানকৌভর, এপ্রিল ০৭ :
ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী বেলারসকী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচ মায় পাক্লৱগীদমক পেনালটি কোর্নরবু গোল ওন্থোকপা হায়বসিনা ঐখোয়গী লেঙদ্রবা পান্দমনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্টেন রাণিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমনা পেনালটি কোর্নরবু মায় পাক্লা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। মখোয়না লীগ ষ্টেজদা বেলারসকী মায়োক্তা শান্নখিবা গেমদা পেনালটি কোর্নর মঙা ফংবা ঙমখি। অদুবু মখোয়গী গোল অদু ফিল্ড গোলদগী ওইনা চনখি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্টেন রাণিনা হায়খি, ঐখোয়না খ্বাইদগী লুম্না লৌরিবা এরিয়া অসি পেনালটি কোর্নরবু শুংশোয় শোয়দনা গোল ওন্থোক্লবা মিৎয়েং অদুনি। ঐখোয়না সেমী ফাইনেল মেচতা ফংগদবা পেনালটি কোর্নরশিং গোল ওন্থোকপা মথৌ তাই। মসিগীদমক ঐখোয়না মফম অসিদা পাঙথোকপা প্রেক্টিস সেসনদা পেনালটি কোর্নরশিং গোল ওন্থোক্লবা অখন্নবা মিনিটশিং হাপ্পুনা প্রেক্টিস তৌরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বেলারসপু নক্মৎনবগীদমক মখোয়না মায়োক্লগদৌবা টিমগী প্লেয়রশিংবু মার্ক তৌদুনা অঙন্বা শক্তি পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়বগী ফিরেপ লৌরি।

ষ্ট্রাইকর অসিনা হায়খি, ঐখোয়না বেলারসকী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। মখোয় অসি অকনবা য়ুনিট অমনি অমদি মখোয়বু মায়থীবা পীনবগীদমক ঐখোয়না মখোয়গী প্লেয়রশিংবু মার্ক তৌদুনা ঐখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অদু উত্তুনা লাকশিন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা পেনালটি কোর্নরদা গোল ওন্থোকপা ঙম্বা অসিসু মরু ওইবা মিৎয়েং থল্লি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী লীগ ষ্টেজদা উরুগুৱেবু পেনালটি শুট আউটতা ৪-২ দা মায়থীবা পীখি অমদি বেলারসপুনা ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী পুলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা বেলারসনা কনাডাবু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি।

রাণিনা হায়খি, ঐখোয়না টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবদা অপেনবা পোকই। ঐখোয়না মফম অসিদা লাক্তিঙৈদা নিংথিনা প্রেক্টিস তৌদুনা গোল চনবগী হৈনবী লৈরকখি। ঐখোয়না টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙদুনা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইননবা মিৎয়েং থল্লি। মসিবু ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পান্দম ওইনা থল্লি অমদি মেচশিং নিংথিনা শান্ননবা থবক পায়খৎলি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমনা মখোয়গী ফংখিবা পুল এগী মেচশিং মায় পাকখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ওইনা উরুগুৱেগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচ অদু শোয়দনা মায় পাক্লনি হায়না রাণিদা থাজবা লৈখি।

মেচ অদুদা ঐখোয়না নিংথিনা শান্নখি। অদুবু বেলারসপু লাকশিনবা ঙমদনা পেনালটি শুট আউটতা মায়থীবা পীখি। ঐখোয়না ঐখোয়গী অশোয়বশিং অদু পোষ্ট মেচকী টিমগী মিটিংদা পুথোক্তুনা খন্নখি। মতুংগী গেমদা ঐখোয়না অশোয়বশিং অদু চুমথোক্তুনা অনীশুবা গেম অদু নিংথিনা শান্নদুনা মায় পাকখি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা নোংমাইজি নুমিৎতা বেলারসকা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

# চার্লেষ্টন টেনিস : ৱোজনিয়াক্কি, মিরজানা লুসিক বারোনিনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ষ্টোসুরনা মায়থীখ্রে





মিয়ামি, এপ্রিল ০৭ :
কারোলিন ৱোজনিয়াক্কি অমসুং মিরজানা লুসিক-বারোনিনা মফম অসিদা চথুরিবা ভোলবো কার ওপনদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা হান্নগী চেম্পিয়ন সমান্থা ষ্টোসুরনা মায়থীহৌদুনা মপান থোকখ্রে।

কুমজা ২০১১ গী চার্লেষ্টনদা ৱিন্নর ওইখিবা অমদি চহী অনীগী মমাঙদা রন্নরস-অপ তাখিবা ৱোজনিয়াক্কিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বালিফাইয়র অনাষ্টাসিয়া রোদিওনোভাবু শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

দানিশকী মঙাশুবা সীদনা লাষ্ট আইট ফাওবা চঙবগী লম্বীদা খুদোংথীবা অমত্তা মায়োক্লবা তৌখিদে।

ৱোজনিয়াক্কিনা মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ মেচতা অন্নিকা বেকপু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। দব্লিয়ু টি এ প্রেমিয়র ইভেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা মায়োক্লখিবা ফেন্নি ষ্টোলারবু ৬-১, ১-০ দা মিনিট ৩৯ চঙনা শান্নখিদুনা মায়থীবা পীখি।

হঙ্গেরিগী ফেন্নি ষ্টোলরনা অনীশুবা রাউন্দদা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী ওষ্টাপেঙ্কোনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা লুসিক-বারোনিনা ফেলো কিকি বর্টেন্সবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লুসিক-বারোনিনা শেলবী রোজরগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

শেলবী রোজরনা জপানিজগী টিনেজর নাওমী ওসাকাবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা, চার্লেষ্টনগী অনীশুবা টাইটল লৌননবগীদমক অচৌবা পান্দম অমগা লোয়ননা চঙলকখিবা ষ্টোসুরনা ইরিনা-কামেলিয়া বেগুগী মখুৎতা ৫-৭, ৩-৬ তা মায়থীহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

রোমানিয়াগী তরাশুবা সীদ অসিনা সার্ভ মরিরক ব্রিক তৌদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। দারিয়া গাভ্রিলোভানা দারিয়া কাসাটকিনা-বেগুগী মখুৎতা ৩-৬, ৬-৪, ০-৬ তা মায়থীহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

ইরিনা কামেলিয়া বেগুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দারিয়া কাসাটকিনা-বেগুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা লাষ্ট আইটতা অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভা অমদি লৌরা সিজমুন্দনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। মখোয় অনীনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবনি।

সেভাষ্টোভানা লকি লুজর ওন্স জাবুরবু ৭-৫, ৭-৬ (৮/৬) তা অদুগা সিজমুন্দনা মখা তানা মহাক্কী মায় পাকপা অদু চঙশিনখিদুনা লুসিক সাফারোভাবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

জর্মনিগী সিজমুন্দনা ভেনস ৱিল্লিয়মস অমদি সাফারোভাবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা, টোপ সীদ মেদিসন কিজ অমসুং মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ভেনস ৱিল্লিয়মসনা য়ুমশকৈশো নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মখোয়-মখোয়গী ওপোনেন্টশিংগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

ভেনস ৱিল্লিয়মসনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা জর্মনিগী লৌরা সিজমুন্দগী মখুৎতা সেট অহুমদা মায়থীহৌখি। অহুমশুবা সীদ ভেটরান অসিনা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ৱর্ল্ড নম্বর ৩৭ শুবদা লৈরিবা জর্মনগী মখুৎতা ৬-৪, ৬-৭ (৩/৭), ৭-৫ দা মায়থীখি।

মসিনা টুর্ণামেন্ট অসিদা সিজমুন্দগী অনীশুবা থ্রী সেট্টর ওইখি অমদি হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবদা অঙকপসু পোক্লখি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা ফজবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙখি অমদি মিয়ামি ওপনদা মহাক্লা লাষ্ট ফোর ফাওবা চঙখি।

ইভেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচতা কিজনা মহাক্কী ফেল্লো অমেরিকান শেলবাই রোজরগী মখুৎতা ৬-৪, ১-৬, ১-৬ তা মায়থীখি।

চার্লেষ্টনদা চাউরকখিবা রোজরনা হোম ক্রাউদকী মমাঙদা ইচং থৌনা তকশিন্না শান্নখিদুনা মহাক্কী কম্পেট্রিওটপু লাকহৎখি।

রোজরনা মথংগী রাউন্দ মেচতা নাওমি ওসাকাগা লম্না তৌদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখি। জপানিজ অসিনা ১৩শুবা সীদতা লৈরিবা ঝাং শুআইবু অঙনবদা শান্নখিবা মেচতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা চঙখিবনি।


# মালেসিয়া ওপন : জয়ারামনা ক্বার্টর ফাইনেলদা সোন ৱান হোগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা ইন্দিয়াগী কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

কুচিং (মালেসিয়া), এপ্রিল ০৭ :
ইন্দিয়ন শটলর অজয় জয়ারামনা মফম অসিদা চথুরিবা মালেসিয়া ওপন সুপর সেরিজগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কোরিয়াগী সোন ৱান হোগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা ইন্দিয়াগী কেম্প্যেনসু লোইশিনখ্রে।

জয়ারামনা মঙাশুবা সীদ কোরিয়াগী মখুৎতা মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৮-২১, ১৪-২১ দা মায়থীখি। মসিগী মায়থীবা অসিনা জয়ারামনা ৱান হোগী মখুৎতা থংন-থংননা মায়থীবা মরিরকশুবসু ওইখি। শটলর অনী অসিনা অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৩ গী চিনা ওপনদা মায়োক্লদুনা শান্নখি।

ওপনিং গেমদা অমনা অমবু লাকশিন্নবা ঙম্লদনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিদুনা ১৮-১৮ দা লৈখি। অদুবু মখা তারকপদা ৱান হোনা মতিং থোক্লবা শান্নরকখিদুনা ইন্দিয়াবু নক্মৎতুনা গেম অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা ৱান হোনা দোমিনেট তৌনা চৎখি অমদি খুদোংথীবা অমত্তা য়াওদনা গেম অদু মায় পাকখি। জয়ারামনা মায়থীখ্রবসু মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা ২০শুবা পোজিসন অসিদগী মশক থোক্লা ইন্টরনেসনল রেঙ্কিংদা হায়গৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।



পনবা য়াই, ইন্দিয়ন শটুলর অজয় জয়ারামনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসেনবু ৯-২১, ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মফম অসিগী ষ্টেদিয়ম পরপাদুঅন-থ্রিদা চথুখিবা মেচ অদু মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখি। ওপনিং গেমগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ন শটুলরনা মতিং থোক্লা শান্নখ্রবসু ৯-১১ দা লৈখ্রবা মতুং এক্সেলসেননা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা গেম অদু মায় পাকখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেমদা জয়ারামনা মশক থোক্লা শান্নদুনা মেচ অদু মায় পাকখি। অহানবা গেমদা প্লেয়র অনীনা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নখ্রবসু অথুবদা এক্সেলসেননা শুটশিং য়ৈদুনা এটেকশিং তৌবগা লোয়ননা ওপনিং গেম অদু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়ন শটুলরদগী ফজরবা পার্ফোর্মেন্সশিং পীখিদুনা গেম অদু ২১-১৪ দা মায় পাকখি।

মখা তানা জয়ারামনা গেম অদু দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা শাফু কল্লবা শুটশিং কনখি। মহাক্লা গেম অদুগী ময়ায় চল্লকপা মতমদা ১১-৮ দা মায়ঙজিল থাখি অমদি মখা তাবদা মরিশুবা সীদপু ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# টোকিও ওলেম্পিক ২০২০ গী য়েংলগা ইন্দিয়ন ৱিমেন রিলে টিমগী ফোরেন কোচ হাপখ্রে

কোচি, এপ্রিল ০৭ : লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০ গী টোকিও ওলেম্পিক্সকী য়েংলগা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না ফোরেন এক্সপার্ট অনী হাপ্পনবা থাঙ্গৎলকখিবা প্রপোজেল অদু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থাঙ্গৎখিবা প্রপোজেল অদুদা রেস ৱাকিং অমসুং মিটর ৪০০ গী স্প্রিন্টকী কোচ অমমম পুন্না অনী হাপ্পনবা হায়খিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী দেভ স্মিথনা নেসনল রেস ৱাকিং টিমগী চার্জ লৌরগনি। হৌজিক নেসনল রেস ৱাক্কিং টিম অসি বেঙ্গলোরদা ট্রেনিং তৌরিবনি। অদুগা হান্নগী টেক্সাস ষ্টেট ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী হেদ কোচ গালিনা পি বুখারিনানা নেসনলগী মিটর ৪০০ গী স্কাদপু য়েংশিল্লগনি।

হৌজিক হৌজিক নেসনলগী মিটর ৪০০ গী স্কাদ অসি পাটিয়ালাদা ট্রেনিং তৌরিবনি। স্মিথনা রসিয়ন এক্সপার্ট অলেকজেন্দর আর্টসিবাশেভকী মহুৎ শিনগনি। আর্টসিবাশেভকী কন্ট্রেক্ট অসি মার্চ থাদা লোইখ্রে।



আর্টিসিবাশেভনা রিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগী কোচ ওইখিবনি।

মদুদা রেস ৱাক্কর মঙানা শরুক য়াখিবদা মানিশ রাৱাটনা নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী রেসতা ১৩শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা অতোপ্পা এথলেটশিংগী মনুংদা এসিয়ন গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট খুশবির কৌরনা মতিং থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদে। এ এফ আইনা শরুক য়াখিবশিংনা পীখিবা পার্ফোর্মেন্স অদু পূক্লিং লুমখিদবনি। রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী মতুংদা য়ুক্রেনিয়ন স্প্রিন্ট কোচ য়ুরি ওগোরোদনিকপু মখা তানা কন্ট্রেক্ট তৌবা পামখিদে।

রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখিবা নেসনল রিলে টিমনা দোমেষ্টিক্তা মতিং থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখ্রবসু রিওগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

# দেভিস কপ : রামকুমার রামানাথননা টেমুর ইসামিলোভপু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা ১-০ দা মাঙজিল থারি

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ০৭ : রামকুমার রামানাথননা মফম অসিদা চথুরিবা দেভিস কপ এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাইগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা টেমুর ইসামিলোভপু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রে।

রেঙ্ক ২৬৭ শুবদা লৈরিবা রামকুমারনা অনীশুবা রাউন্দগী টাইগী ওপনিং সিঙ্গলস রব্বরদা রেঙ্ক ৪৭৬ শুবদা লৈরিবা উজবেকপু ৬-২, ৫-৭, ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

রেঙ্ক ২৮৭ শুবদা লৈরিবা প্রজনেশ গুন্নেশ্বারননা ইন্দিয়াগীদমক অহানবা ওইনা রেঙ্ক ৩৭৬ শুবদা লৈরিবা উজবেক্কী সাঞ্জার ফেয়জৈভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

মহাক্কী ফৈগনগী শিংলিদা অশোকপা লৈখ্রবসু ইসামিলোভনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। রামকুমারনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখ্রবসু দবল ফোল্ট তৌখিবদগী ইসামিলোভকী খুদোংচাবা ফংখি। মদুদা উজবেকনা নিংথিনা শান্নদুনা ফীভম ফনা থম্নবা হোৎনখ্রবসু ইন্দিয়ননা অথিংবা পীখি।

ইন্দিয়ানা ওপনিং সেট অদু মতিং থোকপা পার্ফোর্মেন্স উৎখিদুনা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা ৪-৩ দা মাঙজিল থাখ্রবসু ইসামিলোভনা লাকশিন্না শান্নখিদুনা মায় পাকখি। উজবেকনা মনিং তম্না শান্নখি অদুবু রামকুমারনা ঈংনা শান্নরকখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

# আইপিএল ২০১৭ : ষ্টেভন স্মিথকী মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্সনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে



পুনে, এপ্রিল ০৭ :
কেপ্টেন ষ্টেভন স্মিথনা মশক থোক্লা পীখিবা অরোইবা ওভরগী বেট্টিং পার্ফোর্মেন্সনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা মফম অসিদা চথুখিবা তরাশুবা এদিসনগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

স্মিথনা অরোইবা ওভরদা থংন-থংননা সিক্সস অনী কনখি অমদি বোল ৫৪ দা রন ৮৪ লৌদুনা নোট আউটতা লৈখিদুনা পুনেগী টার্গেট রন ১৮৫ অদু বোল অমা লেপ্লগা য়ৌখিদুনা টিমবু চাউনা মায় পাকহনখি। হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মহেন্দ্রা সিংহ ধোনিনা নোট আউটতা লৈখিদুনা বোল ১২ মায়োক্লখিবদা রন ১২ লৌদুনা টিমগীদমক মতিং থোক্লা লেপখ্রবসু প্রেসরশিং মায়োক্লখি।

মেচকী অহানবা বেট্টিং তৌখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৮৪ লৌদুনা মায়োক্লখিবা টিমগীদমক টার্গেট রন ১৮৫ পীরমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা টার্গেট রন ফংনবা তান্নখিবদা ওভর ১৯.৫ দা ৱিকেট অহুমখক্তমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ১৮৭ লৌদুনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী অজিঙ্কয়া রহানেনা বোল ৩৪ দা রন ৬০ (ফোর ৬, সিক্স ৩) লৌরম্লগা টিম সাউথীগী বোলদা অনীশুবা ৱিকেট ওইনা ক্রিজদগী মপান থোকখি। ময়াঙ্ক অগৰ্ৱালনা রন তরুকখক্তমক লৌরম্লগা য়াম্না ঙন্না ওভর ৩.১ দা মিটচেল মেকক্লেনাঘনগী মখুৎতা অহানবা ৱিকেট ওইনা মপান থোকখি। অদুগা বেন ষ্টোক্সনা বোল ১৪ দা রন ২১ লৌরম্লগা হর্দিক পান্দয়াগী মখুৎতা অহুমশুবা ৱিকেট ওইনা আউট ওইখি। হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন এম এস ধোনিনা বোল ১২ দা রন ১২ লৌদুনা নো আউটতা লৈখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী টিম সাউথীনা ওভর মরিদা রন ৩৪, হর্দিক পান্দয়ানা ওভর মরিদা রন ৩৬ অমদি মিটচেল মেকক্লেনাঘননা ওভর মরিদা রন ৩৬ পীরগা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী জোস বুট্টলরনা বোল ১৯ দা রন ৩৮, নিটিশ রাণানা বোল ২৮ দা রন ৩৪, হর্দিক পান্দয়ানা (নোট আউট) বোল ১৫ দা রন ৩৫ লৌদুনা টিমগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেনশিং ওইখি।

পার্থিভ পটেলনা বোল ১৪ দা রন ১৯, কেপ্টেন রোহিৎ শর্মনা রন ৩, অম্বাটি রায়ুদুনা বোল ১২ দা রন ১০, করুনাল পান্দয়ানা রন ৩, কৈরোন পোল্লার্দনা বোল ১৭ তা রন ২৭, টিম সাউথীনা রন ৭ লৌদুনা টিমগীদমক মতেং পাংখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

মিটচেল মেকক্লেনাঘননা নোক আউটতা লৈখ্রবসু রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী ইমরান টাহিনা ওভর মরিদা রন ২৮ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩, রাজাৎ ভাটিয়ানা ওভর অহুমদা রন ১৪ পীরগা ৱিকেট ২, বেন ষ্টোক্সনা ওভর মরিদা রন ৩৬ অমদি অদাম জাম্পানা ওভর অহুমদা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট অমমম লৌখি।

# টোম লথামনা আইরলেন্দ ট্রাই-সেরিজদা ন্যু জিলেন্দবু লুচিংগনি

ৱেলিংটন, এপ্রিল ০৭ : চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মাঙওইননা জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) ট্রাই-সেরিজদা টোম লথামনা অহানবা ওইনা ন্যু জিলেন্দবু লুচিংগনি।

ট্রাই-সেরিজ অসিদা আইরলেন্দ, বাংলাদেশ অমদি ন্যু জিলেন্দনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

ন্যু জিলেন্দ ক্রিকেটনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, মশাগী চহী ২৫ শুরবা ওপনিং বেটসমেন অসিনা রিগুলর স্কিপর কেন ৱিল্লিয়মসনগী মহুৎ শিনগনি। কেন ৱিল্লিয়মসননা হৌজিক চথুরিবা তরাশুবা এদিসনগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আইপি এল) তা শরুক য়ারিবনি।

ন্যু জিলেন্দ টিমগী ভাইস-কেপ্টেন টিম সাউথীসু আই পি এলদা শান্নরি। অদুগা ট্রাইএঙ্গুলর সেরিজ অসিনা মে ১২ দগী আইরলেন্দদা পাঙথোকপা হৌগনি। মে ১৪ দা দুব্লিনদা আইরলেন্দগী মায়োক্তা শান্নগদবা ওপনিং মেচতা ন্যু জিলেন্দ টিমবু লুচিংগদৌরিবা লথামনা ও দি আই ফোর্মেটতা ন্যু জিলেন্দবু লুচিংবা ২২শুবা প্লেয়রসু ওইরগনি।

কিৱিসনা মখোয়গী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কাদ অদুদা অহানবা ওইনা মতিং লৈরবা প্লেয়র অহুম য়াওনা প্লেয়র মরি লৌখৎখি।

ন্যু জিলেন্দগী সিলেক্টর গাভিন লার্সেননা হায়খি, টিম অসিদা সিনিয়র প্লেয়রশিং য়াওরোইদবনা নৌনা হৌগৎলক্লিবা প্লেয়রশিংবু পুশিল্লক্তুনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী মহাও তংননবগী খুদোংচাবা পীরি। টোমবু সাইদ অসিগী লুচিংবা ওইনা হাপ্লে অমদি মহাক্লা এরিয়া অসিদা হৈথোই-শিংথোইনা লৈদুনা টিম অসিবু মখা তানা লুচিংবা ওইনবগী খুদোংচাবা অদু লৌবা ঙমজরগনি হায়না লার্সেননা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৫ শুবদা টোমনা কেপ্টেনগী থৌ পুবা ঙম্বসি অফবা অমনি। মহাক নহা ওইরিবা প্লেয়রনি। মহাক্লা হৌখিবা মতমদা কেন্টরব্যুরি অমদি ন্যু জিলেন্দগী অন্দর-১৯ দা মশক থোকপা রোল লৌদুনা পার্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

স্কাদতা য়াওরিবা রোজ অমদি লুককুম্না টিম অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়র খরসু হাপচিন্দুনা মখোয়গী মতেং পাংগনি। মসিগী খুদোংচাবা অসিনা টোমগীদমক্তুদি চাউরবা কান্নবা অমা ওইরগনি অমদি অতোপ্পা স্কাদ মেম্বরশিংগীসু মখোয় মখোয়গী অচৌবা লুচিংবা অমগী রোলশিং লৌজনবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ন্যু জিলেন্দগী আইরলেন্দ ট্রাই-সেরিজগী স্কাদ মেম্বরশিং অদুদি টোম লথাম (কেপ্টেন, ৱিকেট কিপর), হামিশ বেন্নেট্ট, নেইল ব্রুম, স্কোট্ট কুগ্গেলৈজন, কোলিন মুনরো, জেমস নীশাম, হেনরি নিকোলস, চীতান পটেল, সেথ রেন্স, লুক রোঞ্চি, মিটচেল সন্টনর, ইশ সোধি, রোস টেলর, নেইল ৱাগনর অমদি জোর্জ ৱার্করনি। জীতান পটেলনা মরিশুবা ও দি আইগীদমক স্কাদতা জোইন তৌগনি।

# পি ভি সিন্ধুনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৭ :
রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট শটুলর পি ভি সিন্ধুনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না ইনৌ নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

মহাক্লা মহাক্কী অপুনবা পোইন্ট ৭৫,৭৫৯ ফংদুনা ৱর্ল্ডগী নম্বর টু পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়া ওপন ফাইনেলদা স্পেনগী কারোলিনা মারিনবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবী সিন্ধুনা মফম অহুম কাখৎলগা নম্বর টু স্পোটতা লৈখি।

মহাক্লা নম্বর টুদা লৈবা ঙমখিবা অসিনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী টোপ মঙা ফাওবগী মনুংদা চনবা ঙম্বী ইন্দিয়াগী অনীশুবা নুপীসু ওইখ্রে।

হৌজিক চথুরিবা মালেসিয়া ওপনগী ওপনিং রাউন্দদা মায়থীহৌখিবী সাইনা নেহৱালনা মফম অমা কাখৎলগা মাপনশুবা স্পোটতা লৈখি।



মহাক্লা রেঙ্কিং পোইন্ট ৬৪,২৭৯ ফংখি।

চাইনিজ টাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা অপুনবা পোইন্ট ৮৭,৯১১ ফংদুনা মাঙজিল থানা চৎলি। স্পেনগী কারোলিনা মারিননা পোইন্ট ৭৫,৬৬৪ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা হৌজিক চথুরিবা মালেসিয়া ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসেনবু ৯-২১, ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখিবা অজয় জয়ারামনা ২০শুবা মফমদা লৈখিদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা শান্নরোয় ওইখি।

জয়ারামনা মালেসিয়া ওপন ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কোরিয়াগী সোন ৱান হোগী মখুৎতা ১৮-২১, ১৪-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

মহাক্লা মেচ অসি মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙলম্লবদি মহাক্কী রেঙ্কিংদা হায়গৎনা লৈবা য়ারিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংগী মনুংদা ঐচ এস প্রন্নোয়, সমীর ভর্মা অমদি কিদম্বী শ্রীকান্টনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) গী রেঙ্কিংদা মথংশিংনা ২৬শুবা, ২৭শুবা অমদি ২৮শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শটুলর অহুম অসিনা ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা সুপর সেরিজশিংদা শরুক য়াদুনা অৱাংবা রেঙ্কিংদা লৈননবা হোৎনখ্রবসু টুর্ণামেন্টশিং অদুগী সেমী ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখিবদগী মখোয়গী রেঙ্কিংদা থোইদোক্লা অহোংবা লৈখিদে।

মখোয়না তুংদা লাক্কদবা টুর্ণামেন্টশিংদা মিৎয়েং চঙদুনা রেঙ্কিং হায়গৎনা লৈননবা হোৎনগদৌরি।